অনীশুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯

# অহৌবা মেচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ১১-৪দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম কে) গী মীৎয়েং মখাদা ক্রীদা ভারতি মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালগী পোলো গ্রাউন্দদা অনীশুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকখিবগা লোয়নননা অহৌবা মেচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ১১-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।



লমদম অসিগী ইপা ইপু হাক্তক্তগী শাগোন্নদুনা লাক্লিবা মুক্না কাংজৈ মশান্না অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা গভর্ণরস ত্রোফি ষ্টেট লেভেল মুক্না কাংজৈ টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর প্রান্টকী ডা. এল ইবুংঙোহল, ক্রীদা ভারতি মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট জি তোম্বী শর্ম্মা অমসুং ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী সেক্রেটরিসু ওইরিবা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম চৌরজিৎ শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টপু পাঞ্জল ১১-৪দা মায়থীবা পীখিবনি।

# বিচ বোদিগী টাইটল লৌরক্লবা মণিপুরগী বিকাস উসম হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ থা অসিগী ১৬তা গোৱাগী বেগাটোর বিচ, বোম্বে অধাদা পাঙথোকখিবা ফিটনেস ইভেন্ট বোদি পৱার বিচ বোদি কার্নিবল ২০১৯দা বিচ বোদিগী টাইটল ফংলকখ্রবা মণিপুরগী বিকাস উসম য়ুথ মোর্দন ক্লব হরাওরৌনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।



ফিটনেস ইভেন্ট বোদি পৱার বিচ বোদি কার্নিবল ২০১৯দা এথলেট ১৫০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা বিচ বোদিগী টাইটল ফংলকখ্রবা মণিপুরগী এথলেট বিকাস উসম্বু ওকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ মোর্দন ক্লব হরাওরৌগী এদভাইজর নোংথোম্বম বিজেন্না ফোঙদোকখিবদা বিকাস উসমনা বিচ বোদিগী টাইটল ফংদুনা লমদম অসিগী মীংচৎ পুরকপা অসিদা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি তুংগী লম্বীদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

টাইটল অসি ফংদুনা দুবাইদা নুমিৎ মরিনিগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎকদৌরিবা অসিগীদমক্তসু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা স্পোর্টসকী ইভেন্ট অসিদা মহাক্না মায় পাক্লকপা অসিদা পূক্লিং থৌগৎপা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা ঙসি ওকপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মখা তানা অফবা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবগীদমক্তঙা ক্লব অসিগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেংসু পাংগনি।

হরাওরৌ অৱাং লৈকায়দা লৈবা উসম কৃষ্ণচন্দ্র অমদি লাইমুজম ব্রিনালিনিগী মচানুপা উসব বিকাসনা ফোঙদোকখিবদা বোদি পৱার বিচ বোদি কার্নিবল অসি লৈবাক অসিদা ইহান হানবা ওইনা পাঙথোকপা ইভেন্টনি। ইভেন্ট অসিদা নুপাগী কেটেগোরি অনী অমসুং নুপীগী কেটেগোরি অমা পূন্না কেটেগোরি অহুম থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকখি। মসিগী মনুংদা বিচ বোদিগী টাইটল অসি মহাক্না ফংলকখিবনি। ইভেন্ট অসিদা নক্তনা বোদিবিল্ডিং, পৱারলিফটিং মশান্নগসু শান্নরোয় অমা ওইরি। পৱারলিফটিং মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা নেসনলগী থাক্তা শান্ননবা হোৎনগনি হায়খি।

# পৱরলিফটর সনসম চাউবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ানবা খল্লক্লে



ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ জপানগী কোনুং টোকিওদা মে ১৮দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র এন্দ মাষ্টর (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) ক্লাসিক এন্দ ইক্কিপ বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা মণিপুরগী পৱরলিফটর সনসম চাউবা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিংদা শরুক য়ানবা খল্লক্লে হায়রি।

ইন্টরনেসনলগী থাক্তা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদগী পৱরলিফটর নুপা অমসুং নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্ক-দৌরিবা ৱর্ল্ড সব জুনিয়র, জুনিয়র, সেনিয়র এন্দ মাষ্টর (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) ক্লাসিক এন্দ ইক্কিপ বেঞ্চ প্রেস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী পৱরলিফটিং টিমদা শরুক য়ানবা খল্লক্লবা মণিপুরগী সনসম চাউবা সব জুনিয়রগী কেজি ৫২গী কেটেগোরিদা শরুক য়াগদৌরি।

সনসম চাউবা খাবম মনিং লৈকায় কোন্থা খাবমদা লৈবা সনসম সোমেরেন্দ্রো অমসুং সনসম ওংবী জমুনা অনীগী অনীশুবা মচানুপীনি। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোক্ক-দৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ানবা সনসম চাউববু খল্লকপদা ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি হরাউবা ফোঙদোরক্লি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অনীশুবা ইন্ত্রা বট্টালিয়ন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট

# এন জয় অমদি ও জয়চন্দ্রগী জুরানা মেন্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ কম্মান্দেন্ট অহুমশুবা ইন্দিয়ন রিজার্ভ বট্টালিয়ন (আই আর বি) খাঙবোক্না শীন্দুনা বট্টালিয়ন অসিগী হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইন্ত্রা বট্টালিয়ন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯দা এন জয় অমদি ও জয়চন্দ্রগী জুরানা মেন্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

বট্টালিয়ন অসিগী সেক্যুরিটি শান্নরোয় ৩২না কাঙলূপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইন্ত্রা বট্টালিয়ন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৯ অসি অহুমশুবা আই আর বি বট্টালিয়নগী কম্মান্দেন্ট আই পি এস হেরোজিৎ মীতৈনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেন্স দবলসতা এন জয় অমদি ও জয়চন্দ্রগী জুরানা মখোয়গী লম্বাবু মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখি। ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপতা বট্টালিয়ন অসিগী সী ওনা মনা মথুম খূৎশিন্নখি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সী কে দব্লিয়ু সী-এ চজিং খুনৌ অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম ফাইনেলগীদমক শেম শানখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৭ (ঐচ এন এস) ঃ ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা চজিং খুনৌগী চজিং খুনৌ ৱেলফেয়র ক্লব (সী কে দব্লিয়ু সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চজিং খুনৌগী শান্নবুংদা চথরক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা সী কে দব্লিয়ু সী-এ চজিং খুনৌ অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম ফাইনেলগীদমক শেম শানখ্রে।



টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সী কে দব্লিয়ু সী -এ চজিং খুনৌ অমসুং সী কে দব্লিয়ু সী -বি লম্বা তৌনখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেট হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা সী কে দব্লিয়ু সী-এনা সী কে দব্লিয়ু সী -বিবু সেট ৩-২ (২৫-২১, ১৭-২৫, ২২-২৫, ২৫-১৮, ১৫-১২) দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই ভি এ নম্বোল নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম লম্বা তৌনখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক মায়কৈ অনীদগী মায় পাক্নবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এন ৱাই ভি এনা আই জি ওবু সেট ৩-১ (২৫-২১, ২২-২৫, ২৭-২৫, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা সী কে দব্লিয়ু সী-এ চজিং খুনৌ অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেম শান্নগনি হায়রি।


# INDIAN NAVY

AN OCEAN OF OPPORTUNITIES

*Indian Navy invites online applications from unmarried Men and Women candidates for Short Service Commission (SSC) in Executive Branch (Pilot / Observer Entry) & Education Branch and unmarried eligible Men for Permanent Commission (PC) in Executive Branch (Logistics Cadre) of the Indian Navy for course commencing January 2020 at the Indian Naval academy EZHIMALA, Kerela.*

ELIGIBILITY CONDITIONS

| S.No | Entry | Age | Minimum Percentage | Type of Commission | Gender | Education Qualifications | Vacancy |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| (a) | Observer | Born between 02 Jan 1996 & 01 Jan 2001; both date inclusive | 55 | SSC | Men and Women | B.E. / B.Tech Degree in any discipline (with Physics & Maths in 12th standard | 06 |
| (b) | Pilot (MR) | Born between 02 Jan 1996 & 01 Jan 2001; both date inclusive | 60 | SSC | Men and Women | | 03 (Maximum of 2 vacancies for women subject to they being in merit list of SSB |
| (c) | Pilot (Other than MR) | Born between 02 Jan 1996 & 01 Jan 2001; both date inclusive | 60 | SSC | Men | | 05 |
| (d) | Logistics | Born between 02 Jan 1995 & 01 Jul 2000; both date inclusive | 60 | PC | Men | (i) B.E. / B. Tech in any discipline with First Class or (ii) MBA with First Class or (iii) B.Sc/B.Com/B.Sc (IT) with First Class and a PG diploma in Finance / Logistics/ Supply Chain Management/Material Management or (iv) MCA/ M.Sc (IT) with First class | 15 |
| (e) | Education | Born between 02 Jan 1995 & 01 Jan 1999; both date inclusive | 60 | SSC | Men and Women | M.Sc (Physics / Applied Physics / Nuclear Physics) (With Maths in B.Sc) | 03 |
| | | | | | | M.Sc (Maths / Operation Research) (with Physics in B.Sc) | 06 |
| | | | | | | M.Sc (Chemistry) (with Physics in B.Sc) | 02 |
| | | | | | | MA (English) | 02 |
| | | | | | | MA (History) | 02 |
| | | | | | | B.E. / B.Tech (Mechanical) | 03 |
| | | | | | | B.E./B.Tech (Computer Science/ Information Technology/ Computer Technology/Information Systems/ Computer Engineering) | 03 |
| | | | | | | B.E. /B.Tech (Electronics and Communications /Electrical & Electronics /Electronics & Instrumentation/ Electronics & Telecommunication/Electrical Engineering) | 03 |

**Commercial Pilot License (CPL)** candidates having valid & current CPL issued by DGCA (India) & born between **02 Jan1995** and **01 Jan 2001** (both dates inclusive) can apply for Pilot entry as per stipulations against Pilot stream stated at para 2 (b) and 2 (c) above.

ONLINE REGISTRATION IS OPEN FROM
16 MARCH 2019 TO 05 APRIL 2019







NOTE: 1. Identity proof is mandatory for online registration. For details visit www.joinindiannavy.gov.in & Employment New dated 16 March 2019.
2. Please read the instruction given in the wensite carefully before submitting your "e-Application" form. Candidates can also call on Toll-Free number 1800-419-2929 and press Option 7 to speak to a customer care representative from Monday-Sunday between 0800-2000 hrs.

Scan this QR Code to apply online


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com